# সেনিয়র মেন ষ্টেট লেভেল হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা এস ৱাই য়ু সি অমদি সিয়োগা শান্নরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী খুমন লম্পাক্কী হোক্কী ষ্টেদিয়মদা টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ৭ শুবা সেনিয়র মেন ষ্টেট লেভেল হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী হয়েং অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই য়ু সি কোংবা উচেক্কোন অমদি এস ই ৱাই ও শীংজমৈগা নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলুপনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা লীগ মেটচ ওইনা গ্রুপ–এগী এস ই ৱাই ও শিংজমৈ অমদি হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা শান্নখিবা টুর্নামেন্টগী ৬ শুবা মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ননা এস ই ৱাই ও বু গোল ৮–৪ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী গোলশিং অদু অনীশুবা, অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল ৩ / ৩ অদুগা অরোর্য়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ২ চনখি। মায়থিরবা এস ই ৱাই ও শিংজমৈগী গোলশিং অদুনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল ১ অমসুং অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ৩ চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা নাকল অনীমক্না লম্বা চান্না শান্নরক্তুনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জাশিং ফঙনখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদা লৈন্নখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা এস ই ৱাই ওবু লাকশিনলক্তুনা শান্নরকপদগী মেটচকী মিনিট ১৭ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ প্রিতমনা ফিল্ড গোলদা মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং থংন্নবা মিনিট ১৮ দা জর্সি নম্বর ১১ বিদিয়ান্দনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

ক্বার্টর অসিগী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ২৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৩ রিক্কি তোঞ্জমনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ক্বার্টর অসি লোয়বা ফাওবদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ৩৫ চৎপদা রিক্কি তোঞ্জমনা পেনাল্টি কোন্নরদা টিমগী মরিশুবা গোল চনখ্রবা মতুং থংন্নবা মিনিট ৩৬ তা জর্সি নম্বর ২ রোবিন্সননা ফিল্ড গোলদা মহাক্কী টিমগী মঙাশুবা গোল অদু চন্দুনা ৫–০ দা মাঙজিল থাখি।

এস ই ৱাই ও শিংজমৈনা মেটচকী মিনিট ৩৯ চৎপদা টিম অসিনা ফঙখিবা পেনাল্টি কোনর অমদা জর্সি নম্বর ৫ কে এস ঐচ সান্তকুমারনা গোল ১ হন্দোকখ্রবসু অহুমশুবা ক্বার্টর অসিগী মিনিট ৪৪ চৎপদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ২ রোবিন্সননা ৬ শুবা গোল চন্দুনা ৬–১ দা মাঙজিল থাখি।

অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরগী অতেনবা মিনিট ৪৭ অমসুং ৪৯ দা এস ই ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৫ কে এস ঐচ সান্তকুমারনা পেনালটি ষ্ট্রোক্তা অমসুং জর্সি নম্বর ১৬ কে এস ঐচ হেমলেটনা ফিল্ড গোলদা ২ হন্দাক্তুনা ৩–৬ তা লৈখি।

অদুবু হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী জর্সি নম্বর ৫ সোমিকান্ত খাঙেম্বমনা মিনিট ৫৩ দা টিমগী ৭ শুবা গোল অদুগা জর্সি নম্বর ৩ রিক্কি তোঞ্জমনা ৮ শুবা গোল চন্দুনা ৮–৩ দা মাঙজিল থাখি।

এস ই ৱাই ও শিংজমৈগী মরিশুবা গোল অদু ক্বার্টর অসিগী মিনিট ৫৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ জি দিঙ্কুনা চনখি।

# থাঙজম বীরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপ্তা এল ৱাই জি ই সিদা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েননা শীল্লগা বাবিনা হেল্থ কিয়র এন্দ হোসপিটালিটি প্রাইভেদ লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৯ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চত্থরিবা থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপ ফোর মেন ২০১৯দা এল ৱাই জি ই এস ই দি এ শুগনু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

সেমি ফাইনেদা এল ৱাই জি ই এস ই দি ও শুগনুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম পি এস সিগা দিসেম্বর ১ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা অহানবা লেগ ওইনা এল ৱাই জি এস ই দি এগী হোম গ্রাউন্দ কোপিচাং গ্রাউন্দ শুগনুদা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা লেগতনা এম পি টি সি গ্রাউন্দ পাংঙ্গৈদা দিসেম্বর ৪গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি লমকা প্রব্লিক গ্রাউন্দ চুড়চান্দপুরদা শ্যামরোপিয়া এফ সিগী হোম মেটচ ওইনা এল ৱাই জি ই এস ই দি এগা শান্নখিবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।

টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা লমকা প্রব্লিক গ্রাউন্দ চুড়চান্দপুরদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্তিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্তশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

টিমশিং অসিগী অহানবা লেগ ওইনা থা অসিগী ২৫ দা কোপিচান্দ গ্রাউন্দ শুগনুদা এল ৱাই জি ই এস ই দি এ হোম গ্রাউন্দ ওইনা শান্নখিবদা ৱাই জি ই এস ই দি এনা শ্যামরোপিয়া এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনা (এগ্রিগেটতা গোল ২–০) লৈবদগী ৱাই জি ই এস ই দি এ সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা জে এস ৱাই সি গী জর্সি নম্বর ২০ সৈবোইগুন কিপজেন অমসুং ৱাই জি ই এস ই দি এগী জর্সি নম্বর ১৩ মুমলুনথাং, জর্সি নম্বর ১০ ঙমজিনগৌদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি হেমন্ত, এ দিলিপ, এ তোম্বা অমদি এ শাফবনা সিংহনা মথং শিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল টিম ককচিং লমখায়গী মীওইশিংনা ওকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৮ ঃ সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৯ গী শরুক ওইনা ম্যন্মার অমসুং মণিপুরগী নুপীগী ফুটবো, ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নবগীদমক ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল টিম ঙসি ম্যান্মারদগী মণিপুরদা থুঙলাখ্রে।

ককচিং লমখায়দা মীয়ামনা শান্নরোইশিংবু হরাও তরাম্না ওকখ্রে।



ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিং অদু ঙসি নুংথিল ককচিং লমখায় য়ৌরকপদা ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন এম এল এ, য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র, ককচিং মুন্যিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমার, কাউন্সিলরশিং, জোইন্ট নন–গভর্ণমেন্ট ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও), ওল ককচিং ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এ কে এস য়ু), ককচিং লমখায় বজার ব্যুজিনেস ৱেলফিয়র বোর্দ, দি এস এ ককচিং অমসুং ককচিং প্রব্লিক স্কুলগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিং য়াওনা হরাও তরাম্না ওকখি।

ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিং অদুবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং লমখায়দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা স্পোন্সর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কো– ওপরেটিপ বেঙ্ক, ককচিং ব্রান্সনা কো–স্পোন্সর ওইদুনা শীনখিবনি।

# ফেন্সিংগী নন–রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগবদা শান্নরোইশিংগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ ফেন্সিং এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ২৩ দগী ২৬ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০ শুবা সেনিয়র ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী ওইবা নন– রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্পতা য়াওগদবা শান্নরোইশিংগী মিং ওল মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা লাওথোক্লে।

শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগীদা দব্লিউ রোসন সিংহ, টি ঐচ রাজিব সিংহ, য়ু প্রেমজিৎ সিংহ, টি ঐচ রাজেশ্বর সিংহ, এস জয়েন্ত সিংহ, এ লেলিন সিংহ, এ হেম্বা মীতৈ, এ কে অরবিনকুমারে সিংহ, টি ঐচ চাবী সিংহ, টি ঐচ অজিৎকুমার সিংহ, এন ইনুংঙানবা সিংহ অমদি এল ধনঞ্জয় সিংহনি।

নুপী শান্নরোইশিং অদুদি – এস বিন্দু দেবী, দব্লিউ থোইবী দেবী, পি ঐচ অনিতা দেবী, খুসবুর রানি দেবী, এস কিরনবলা, ও কে সনাতোম্বী দেবী, আর কে রেবিকা দেবী , এম ষ্টিলা দেবী, ঐচ অনাপ্রিয়া দেবী, এন নিসা চনু, এম জোজিতাবলি দেবী অমদি টি ঐচ দাইনা দেবীনি।

ষ্টেটকী টিম অসি দব্লিউ ইবোমচা সিংহ, দব্লিউ রঞ্জিৎ সিংহ অমদি ঐচ হরিনা দেবীনা কোচ অদুগা এম শিলা দেবী, এম সন্ধ্যিয়ারানি দেবী অমদি এল বিহারি মীতৈনা মেনেজর ওইনা লুচিঙগনি।

হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ২৯ থাংজা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮.১৫ দা খোঙমন জোন–৪দা লৈবা ফেন্সিং হোলদা অমদি এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরীদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

কোচিংনা থা অসিগী ২৯ দগী দিসেম্বর ১৭ ফাওবা সাই সেন্টর খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কোচিং কেম্প অসিদা খনগৎখ্রবা ফেন্সরশিংনা শরুক য়াদ্রবদি পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী দব্লিু রঞ্জিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা কখঙহল্লক্লি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ ফুটবোল লবরস এসোসিয়েসন মণিপুরগী মরুওইবা মেম্বর ওইরম্বা মোইরাংথেম অজিৎকুমার (ইনাওবী) সিংহনা হৌখিবা তাং ২৬ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মনুং চাদনা লৈখিদবদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা ফ্লামগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিননা লৈপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ইংনা চিক্লা মপুগী লৈকোলদা লৈন্নবা থৌনিখি।

# বাসেলোনানা বোরুসিয়া দোরমুনবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন লীগকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



বারসিলোনা, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সি)ঃ য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন লীগকি মনুং চন্না গ্রুপ–এফকী কেম্প নৌদা বারসিলোনাগী হোম মেটচ ওইনা বোরসিয়া দোনমুক্কা শান্নখিবা মেটচতা য়ুম্বু বাসিলোনানা ভিজিটর বোরুসিয়া দোকমুকপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা বারসিলোনানা য়ুম্বু ওইবগী চপ চাবা খুদোংচাবা লৌদুনা মেটচকী মিনিট ২৯ চৎপদা লুৱিস স্বারেসনা গোল একাউন্ট হাঙখ্রবা মতুং মিনিট ৪ কান্নরগা ৩৩ চৎপদা লিওনেল মেসিনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু য়ুম্বুগী সিজন অসিদা বারসিলোনাগীদমক নৌনা খূৎয়েক পীন্নখিবা ফ্রন্স ইন্টরনেস্নেল এন্টিনো গ্রসিমেননা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

ভিজিটর বোরুসিয়া দোনমোকগী মায়কৈদগী মেটচকী মিনিট ৭৭ চৎপদা ইংলেণ্ড ইন্টরনেস্নেল জাদোন সানচোনা গোল ১ হন্দোকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা বারসিলোনাবু মায় পাকপগী লম্বীদা থিংবা ঙমখিদে।

মেটচকী অঙনবা মিনিট ১৯ চৎপদা ভিজিটর ইন্টরমিলানগী লাওতারো মার্টিনেসনা গোল একাউন্ট হাঙখ্রবসু অহানবা হাল্ফকী অৱাপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৩৭ চৎপদা য়ুম্বুগী তোমাসনা পেনাল্টিদা গোল হন্দাক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বু স্লাভিয়া প্রাগুৱেনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎনখ্রবসু ইন্টমিলানা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইদা লাকশিনলক্তুনা রোমিলু লুকাগুনা মিনিট ৮১ দা অমসুং লৌতারো মার্টিনেসনা মিনিট ৮৮ তা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

গ্রুপ অসিদা বারসিলোনানা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ১১ ফঙদুনা অহানবা, ইন্টরমিলানা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ৭ ফঙদুনা গোল দিফরেন্সতা অনীশুবা, দোনমুকনা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ৭ ফঙদুনা অহুমশুবা অমসুং স্লাভিয়া প্রাগুৱেনা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ২ ফঙদুনা টেবলগী মমৈদা লৈরি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা সিনোগো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা য়ুম্বু স্লাভিয়া প্রাগুৱে ভিজিটর ইটরমিলানগী মখূৎতা গোল ১–৩ দা মায়থিবা নঙখি।

গ্রূপ–ইগী মেটচ ওইনা এনফিল্ডদা লিভরপুলগী হোম মেটচ ওইনা নেপোলিগা শান্নখিবা মেটচতা গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা লিভরপুলনা বোল হেন্না পায়রগা য়াঙনা শানজখ্রবসু য়ুম্বুনা গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী তাঞ্জা লৌদুনা ভিজিটরগী দাইরিস মারটেন্সনা মিনিট ২১ চৎপদা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

য়ুম্বু লিভরপুলগী মায়কৈদা অনীশুবা হাল্ফতা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেন্সিলক্তুনা শান্নরকপদগী য়ুম্বুনা ফঙখিবা কোন্নর কিক অমদা কোরিসিয়া ইন্টরনেস্নেল দিজান লোৱ্রেনগী হেদ্দিংনা লিভরপুলবু মিনিট ৬৫ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা মায়থিগদবদগী কনখি।

গ্রূপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা লুমিনস এরিনাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভিজিটর রেদ বুল সাসবকনা য়ুম্বু জেঙ্কপু ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

গ্রূপ অসিদা লিভরপুলনা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ১০ ফঙদুনা অহানবা, নেপোলিননা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা অনীশুবা, রেদ বুল সাসবকনা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ৭ ফঙদুনা অহুমশুবা অমসুং জেঙ্কনা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ১ ফঙদুনা টেবলগী মমৈদা লৈরি।

# রিপোর্ট তৌরনবা খঙহলক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোইজম মাধব নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অমদি নহাকপম অপাবী নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০ দা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনা ওফিসিয়েট তৌগদবশিংগী মিং লাওথোক্লে।

মেটচ কম্মিসনরদা কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র সিংহ অমদি এস জেমস সিংহনি।

রেফরিদা এন অরুনকুমার সিংহ, এন ইবুংঙো সিংহ, পি ঐচ লনথোইবা, এল রোপেন্দ্রো মৈতৈ, দব্লিউ স্প্রিংসন সিংহ, ৱাই ইঙোবী সিংহ, কে অজিৎ কুমর মৈতৈ, টি প্রেমজিৎ সিংহ, ৱাই হেমন্ত সিংহ, এল রাজা মৈতৈ, কে ব্রোজেন সিংহ, এ দিঙ্কু সিংহ, এল অমরজিৎ সিংহ, এম ইনাও সিংহ, ৱাই দেবচান্দ, এ চিঙ্গোইরেম্বা অমদি কে বিকেন সিংহনি।

রেফরিশিং অসি মেটচ কম্মিন্সরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেটকী কোঙফু টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ কোঙফু ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৮ দগী ১২ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী লখনৌদা লৈবা মল্টি প্রপস হোল কে দি সিংহ, বাবু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩ শুবা নেস্নেল কোঙফু চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর কোঙফু ব্লদর হুট য়ুনিয়নগী পূন্না শান্নরোই ৩৩ খনখ্রে।

খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি– এম প্রাকাস মৈতৈ (চহী ১১গী কেজি ৪৫), এল অরবিন মৈতৈ (চহী ১১গী কেজি ২৯), অপাম্বোই চনু (চহী ১০গী কেজি ২০), এল ভিরোনিকা চনু (চহী ১১গী কেজি ২৪), এম প্রেমজিৎ (চহী ১৪গী কেজি ৪৭), এম মলেমঙানবা (চহী ১১গী কেজি ২৭), এন অবিনাস (চহী ১১গী কেজি ৪৭), ও সনাতোম্বা (চহী ১১গী কেজি ৪৭), কে রোজি (চহী ১৬গী কেজি ৫৪), মুজিবুর (চহী ১১গী কেজি ৩২), সুরজ (চহী ১৫গী কেজি ৫০), ও রিক্কি (চহী ১২গী কেজি ৪৭), এল জেক্কি (চহী ১৩গী কেজি ৫০), অবিনাস (চহী ১৩গী কেজি ৫৩), বিসাল (চহী ১৩গী কেজি ৪৩), গোলসন (চহী ১৫গী কেজি ৪০), কিরন , অনিলকুমার (চহী ১৩গী কেজি ৫২), হিট্টল (চহী ১২গী কেজি ৪৫), বিদিয়ারানি (চহী ১৩গী কেজি ৪৮), রোশনি (চহী ১৩গী কেজি ৫২), সোফিয়া (চহী ১২গী কেজি ৫২), ষ্টেলোন (চহী ১২গী কেজি ৩৮), দোলি (চহী ১২গী কেজি ৩৪), রিজিনা (চহী ১১গী কেজি ৫০), রতন (চহী ১৩গী কেজি ৬১), পোইরৈঙানবা (চহী ১৯গী কেজি ৫৬), পারিতোন (চহী ২০গী কেজি ৬৫), রোক্কি (চহী ১৩গী কেজি ৩৪), রাজ (চহী ১৩গী কেজি ৬১), জয়াসেন (চহী ১০গী কেজি ৩০), অসিসকুমার (চহী ১৩গী কেজি ৫৬) অমদি রেনবোসোং (চহী ১৩গী কেজি ৪৮)নি।

ষ্টেটকী টিম অসি এম অনিল মেনেজর, রোমেন মৈতৈনা কোচ অমসুং টি ঐচ কিরননা এষ্টিটেন্ট কোচ ওইনা লুচিঙগনি। মখোয় থা অসিগী ৫ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি।

# নেরোকা সিজন অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা গোকুলম কেরেলাগা শান্নরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ফুটবোলদা অহানবা ওইনা ষ্টেট অসিদগী আই লীগতা শরুক য়াদুনা পুৱারি শেমখ্রবা নেরোকা এফ সি সিজন অসিগী আই লীগকী অহানবা মেটচ ওইনা গোকুলম কোরেলা এফ সিগা শান্নবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

থা অসিগী ৩০ গী নুমিদাং পুং ৭ তাবদা ই এম সি কো–ওপরেট ষ্টেদিয়ম কোজিকোদিদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা নেরোকাগী স্কোর্টসতা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি– লোইতোংবম বিশ্বরজিৎ সিংহ (ভাইস কেপ্টেন), মারবিন দেবোন ফিলিপ্স (কেপ্টেন),তারক স্যামপ, গাতি কৌমি,য়াও জিকো সেক্লি, ভৌবকার সাইকা দিয়ারা, রোমতান সিংহ ওমনম, চিঙাখম রোসন সিংহ, জোদিংলিয়ানা, শ্যাম হঙ্গাল, চান্সো হোরাম, খাইমিনথাং হুংদিম, অহোঙশাঙবম সুশিল মৈতৈ, সাইখোম রোনাল সিংহ, ঙাঙোম রোনাল সিংহ, খানঙম হোরাম অমদি বরুন থোকচোমনি।

নেরোকাগী অনীশুবা মেটচ দিসেম্বর ৬ তা আইজোল এফ সিগা খুমন লম্পাক্তা শান্নগনি। অহুমশুবা মেটচনা দিসেম্বর ২১ দা চেনাই সিটিগা নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। সিজনগী মরিশুবা মেটচনা ইং ২০২০গী জানুৱারি ৫ তা ইন্দিয়ান এরোজগা তিলক মাইদানদা শান্নগনি।

মঙাশুবা মেটচ ওইনা জানুৱারি ৮ দা পুৱারিগী মেটচ ওইনা (ইম্ফাল দারবি) ট্রাউগা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com